

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*পোলেন্দদা পাঙথোকখিবা কুন্টো এঠলেটিক্স মিটকী নুপীগী মিটর ২০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেডেল লৌখ্রবী ইন্দিয়াগী ষ্টার স্প্রিন্টর হিমা দাস*

*নুপীগী সিঙ্গলস ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি মায়থিবা পীরম্লগা ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপকী ক্কার্টর ফাইনেল চঙখ্রবী য়ু এসকী এলিসন রিস্কে*

## ব্রাজিলনা পেরুবু ৩–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা কোপা অমেরিকা ফুটবোলগী ৯লকশুবা টাইটল লৌখ্রে



*রিও দি জেনৈরো, জুলাই ০৮(এজেন্সি)ঃ*
ব্রাজিলনা য়ুম্থু ওইদুনা চথরকপা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ব্রাজিলনা পেরুবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী ৯লকশুবা টাইটল লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ব্রাজিলনা মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা আর্জেন্টিনাবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌখি। অদুগা রন্নর্স অপ তাহৌরবা পেরুনা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা চিলিবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদু হেক হৌবদগী ব্রাজিলনা শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থবা ঙমদুনা পেরুগী শান্নরোইশিংনা অকনবা প্রেসর পীদুনা লাকখি।

মেটচকী ১৫শুবা মিনটতা এটেক হেন্না চত্থবা ঙমখিবা ব্রাজিলগী শান্নরোই ইভরটন সোজানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী মতম কুইনা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট অমত্তমক ঙাইরবা মতমদা পেরুনা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অসিগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই পাওলো গুইরেরো পাঞ্জল ওম্থোক্নুনা টিম অনীমক গোল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং অহানবা হাল্ফকী ইনজুরি টাইমগী অহাপ্পা মিনট ৩ চৎপদা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা গাব্রিয়েল জিজসনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্থু লৈবাক ব্রাজিলনা পেরুবু গোল ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্বা লম্বা মান্নরকখি। পেরুগী শান্নরোইশিংনা শোত্থরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা হোৎনদুনা লাকখ্রবসু ব্রাজিলগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমহন্দনা থমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭০শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী শান্নরোই গাব্রিয়েল জিজস চৎন–পথাপকী ৱাংমদা পেরুগী শান্নরোইদা ফাওল তৌরুবদগী রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তাম্থোকখিবদগী ব্রাজিলগী শান্নরোই ১০ খক ঙাইহৌখি। অদুবু পেরুগী শান্নরোইশিংনা শান্নরোই ৱাৎপগী খুদোংচাবা লৌবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাল্ফকী অপীবা মতমগী অরোইবা মিনটতা ব্রাজিলনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অসিগী শান্নরোই রিচারলিসননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ফাইনেল মেটচ অদু মখোয়না পেরুবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ৯লকশুবা টাইটল লৌখি।

## হিমা দাসনা কুন্টো এঠলেটিক্সতা গোল্ড ফংখ্রে

*পোজনান, জুলাই ০৮(এজেন্সি)ঃ*
পোলেন্দগী সিটি পোজনানদা চত্থরিবা পোজনান এঠলেটিক্স গ্রান্দ প্রিগী শরুক অমা ওইরিবা কুন্টো এঠলেটিক্স মিটতা ইন্দিয়াগী ষ্টার স্প্রিন্টর হিমা দাসনা মিটর ২০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেডেল লৌখ্রে।

কুন্টো এঠলেটিক্স মিট অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ২০০ গী লমজেলগী ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়াগী ষ্টার স্প্রিন্টর হিমা দাসনা ২৩.৯৭ সেকেন্দদা চেন্দুনা গোল্ড মেডেল লৌবা ঙমখি।

অসাম মচা হিমা দাসনা ঙসি মিটর ২০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেডেল অমা লৌখিবা অসিনা চৎলিবা চয়োল অসিদা মহাক্না লৌখিবা ইন্টরনেসনেল গোল্ড ২ শুবা ঙমখি। হিমা দাস মিটর ৪০০ গী লমজেলদা ৱার্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন অমদি নেসনেল রেকোর্দ হোল্ডর ওইবা ঙম্লিবনি।

ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপী এঠলিট ভি কে ভিসমায়ানা ২৪.০৬ সেকেন্দদা চেন্দুনা সিলভর মেডল লৌখি।

এঠলেটিক্স মিট অসিগী নুপাগী মিটর ২০০ গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী এঠলিট মুহমদ অনাসসু ২১.১৮ সেকেন্দদা চেন্দুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। অদুগা টিমমেট নোনিরমলনা ২১.৬৬ দা সিলভর মেডল লৌখি। ইন্দিয়াগী এঠলিট এম পি জাবিরনা নুপাগী মিটর ৪০০ গী হর্দল লমজেলদা ৫০.২১ সেকেন্দদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

## আই সি সি ৱার্ল্ড কপকী শান্নগদবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ঙসি ইন্দিয়াগা ন্যু জিলেন্দগা থেংনরগনি

*লন্দন, জুলাই ০৮(এজেন্সি)ঃ*
ইংলেন্দ অমসুং ৱেলসনা পুন্না য়ুম্থু ওইদুনা চত্থরিবা আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী হয়েং শান্নগদবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দগা থেংনরগনি।

ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিম ৱার্ল্ড কপ অসিগী পুৱারীদা কুমজা ১৯৮৩ অমদি ২০১১ দা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে। অমরোমদা ন্যু জিলেন্দদি কুমজা ২০১৫ দা রন্নর্স তাখিবা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইরি।





ৱার্ল্ড কপকী পুৱারীদা ইন্দিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দনা মেটচ ৭ শান্নখ্রে। মেটচ ৩ না ইন্দিয়ানা মায় পাক্লগা অতোপ্পা মেটচ ৪ না ন্যু জিলেন্দনা মায় পাক্লুনা ৪–৩ দা লৈদুনা হয়েং শান্নগদবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অসিদা মায় পাকপগী খুদোংচাবা হেন্না লৈরি।

অদুবু ইংলেন্দ অমদি ৱেলসনা পুন্না য়ুম্থু ওইদুনা চত্থরিবা আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ অসিগী ইন্দিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দনা শান্নগদবা লীগ মেটচ অদু নোংনা মরম ওইরগা শান্নখিদবদগী পোইন্ট য়েন্নদুনা লাকখিবনি।

হয়েং ন্যু জিলেন্দগা শান্নগদৌরিবা ইন্দিয়ানা ৱার্ল্ড কপ অসিদা পুন্না মেটচ ৯ শান্নখিবদা মেটচ ৭ মায় পাকপা, মেটচ ১ মায়থিরবা

মতুং মেটচ অমনা রিজল্ট লৈখিদবদগী পুন্না পোইন্ট ১৫ ফংলগা টেবলগী মকোক ওইদুনা সেমি ফাইনেল চঙলকপনি।

অমরোমদা ন্যু জিলেন্দগী টিম চত্থরিবা ৱার্ল্ড কপ অসিদা মেটচ ৯ শান্নখিবদা মেটচ ৫ মায় পাকপা, মেটচ ৩ মায়থিরবা মতুং মেটচ অমনা রিজল্ট লৈখিদবদগী পুন্না পোইন্ট ১১ ফংদুনা পাকিস্টানগা মান্নখ্রবসু রন রেটতা মখোয়না হেন্দুনা পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা পোজিসন তাদুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখি। ইন্দিয়া অমদি ন্যু জিলেন্দনা হয়েং শান্নগদবা আই সি সি ৱার্ল্ড কপকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ নুংথিল পুং ৩ দগী হৌগনি।

## বি সি আইনা রাহুল দ্রাবিদপু এন সি এগী হেদ ওইহনখ্রে

*চেন্নাই, জুলাই ০৮(এজেন্সি)ঃ*
মমাঙদা ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ওইরম্লবা রাহুল দ্রাবিদপু বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া ( বি সি সি আই) না নেসনেল ক্রিকেট একাদেমীগী হেদ ওফ ক্রিকেট ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রে।

রাহুল দ্রাবিদনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেটকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা মরু ওইনা য়েংশিনগনি। রাহুল দ্রাবিদনা কোচিং, মেন্টরিং, ত্রেনিং লোয়ননা শান্নরোইশিং, কোচশিং অমদি সপ্পোর্ট ষ্টাফশিংবু অহেনবা থৌনা হাপ্পগী থৌদাংসু লৌগদৌরি।

বি সি সি আইনা ক্রিকেটকী হেদ ওইনা নৌনা খনখ্রবা রাহুল দ্রাবিদনা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী কোচশিংনা হকথেংননা চৎমিন্নদুনা ইন্দিয়া এ টিম, ইন্দিয়া য়ু–১৯ টিম অমদি ইন্দিয়া য়ু–২৩ টিমশিংদা তোঙান–তোঙানবা ত্রেনিং কয়া পীদুনা মায়কৈ কয়াদা অহেনবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি।

## মেক্সিকোনা কোনকাকেফ গোল্ড কপকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*চিকাগো, জুলাই ০৮(এজেন্সি)ঃ*
য়ু এস এ, কোষ্টা রিকা অমদি জমাইকানা পুন্না য়ুম্থু ওইদুনা পাঙথোকখিবা কোনকাকেফ গোল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মেক্সিকোনা য়ু এস এবু গোল ১–০ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

পনবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মেক্সিকোনা মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা হাইতিবু এক্সত্রা টাইমদা ১–০ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা রন্নর্স অপ তাখ্রবা য়ু এস এনা মমাঙদা শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা জমাইকাবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

কোনকাকেফ গোল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী মেক্সিকো অমদি য়ু এস এনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপদা মেক্সিকোগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা লাকখি। মেটচকী ৭৩শুবা মিনটতা মেক্সিকোগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই দোস সান্টোসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখিবা অদু মেটচ লোইশিনবা ফাওবা লৈখিবদগী মেক্সিকোনা য়ু এস এবু ১–০ দা থোইরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌখি।

## ইন্দিয়াগী কাশ্যপ কানাদা ওপন বেদমিন্টনগী নুপাগী সিঙ্গলসতা রন্নর্স অপ তাহৌরে

*কালগেরি, জুলাই ০৮(এজেন্সি)ঃ*
কানাদাগী সিটি কালগেরিদা চত্থরকপা য়ু এস দোল্লর ৭৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা কানাদা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই পরুপল্লি কাশ্যপ মায়থিহৌদুনা রন্নর্স অপ তাহৌরে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ৬শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী পরুপল্লি কাশ্যপপু সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবা চাইনাগী লি সিফেংনা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং গেম ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখি।

মেটচ অসিগী অহানবা গেম ইন্দিয়াগী কাশ্যপনা চাইনাগী সিফেংগা য়াম্না কন্না লম্বা তৌনরবা মতুং ২২–২০ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অদুবু থংনবা গেম অনী অদুনা চাইনাগী সিফেংনা ২১–১৪, ২১–১৭ দা থোইবা ঙমদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অসি লৌবা ঙমখি।

কানাদা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই সাউথ কোরিয়াগী অন সেয়ংনা চাইনাগী ৱাং ঝিয়িবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৫, ২২–২০ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৮শুবা সিদেদ দেনমার্ককী পেয়র মাথিয়াস বো অমদি মেদস কোনরাদ পিটরসননা জপানগী পেয়র হিরোকী ওকামুরা অমদি মাসায়ুকী ওনোদেরাবু ষ্ট্রেট সেট অনী ২১–১২, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌখি।

কানাদা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলস ফাইনেল মেটচতা ৭শুবা সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী সেটিয়ানা মাপাসা অমদি গ্রোনিয়া সোমরভিলিনা ৫শুবা সিদেদ পেয়র সাউথ কোরিয়াগী চাং য়ে না অমদি কিম হিয়ে রিনবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৬, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেটচতা সাউথ কোরিয়াগী কো সুং হিয়ুন অমদি ইওম হিয়ে ৱোননা চাইনাগী পেয়র গুৱো জিনৱা অমদি ঝাং সুজিয়ানবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৯, ২১–১৯ দা থোইদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

## য়ু এসকী এলিসননা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী বার্টি থোইখ্রে

*লন্দন, জুলাই ০৮(এজেন্সি)ঃ*
ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা চত্থরিবা ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী সিঙ্গলসকী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচতা য়ু এস এগী শান্নরোই এলিসন রিস্কেনা ৱার্ল্ড নম্বর ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি মায়থিবা পীরম্লগা ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবী য়ু এস এগী এলিসন রিস্কেনা ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিপু ৩–৬, ৬–২, ৬–৩ দা থোইদুনা ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌদুনা ১১শুবা সিদেদ য়ু এসকী অতোপ্পা শান্নরোই সেরেনা ৱিলিয়মসকা লম্বা তৌরগনি।

য়ু এসকী সেরেনা ৱিলিয়মসনা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দদা স্পেনগী স্বারেজ নভারোবু ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

৭শুবা সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপসু ৪শুবা রাউন্দদা য়ু এসকী কোরি গাওফপু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লবা ক্কার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী ঝাং স্বাইগা শান্নরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ৮শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাসু ৪শুবা রাউন্দদা ২৪শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী পেত্রা মার্টিকপু ৬–৪, ৬–২ দা থোইদুনা ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দদা চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা মুচোভানা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই লৈবাক অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই কেরোলিনা প্লিজকোভাবু ৪–৬, ৭–৫, ১৩–১১ দা থোইদুনা ক্কার্টর ফাইনেল চঙখি।

ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৩শুবা সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা ব্রাজিলগী জোও সোজাবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অহুম ৬–২, ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লবা ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. : Mut. Case No. 1372/SDC/IW(C) dt. 3/07/2019

1. Thempi Khongsai W/o Y. Bobby Singh
2. Yendrembam Nandita Devi D/o (L) Sadananda Yendrembam
3. Santosh Yendrembam S/o (L) Koijam Ningol Yendrembam Ongbi Snehalata Devi all of Thangmeiband Meisnam Leikai

Petitioners

-Vs-

(Late) Koijam Ningol Yendrembam Ongbi Snehalata Devi W/o Dr. Sadananda Singh of Thangmeiband Meisnam Leikai

O.P.Party

**NOTICE**

Imphal, the 8th July, 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার (Late) Koijam Ningol Yendrembam Ongbi Snehalata Devi W/o Dr. Sadananda Singh of Thangmeiband Meisnam Leikai মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নম্বর 91-Meitei Langol, অরিবা পাট্টা নম্বর 43 অনৌবা পাট্টা নং 88 দাগ নং 1193 অমসুং এরিয়ানা 0.4366 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা লৈখিদ্রবশিংগী দংকারীগী ------মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Central

SL/5072/9



**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF VETERINARY & A.H. SERVICES**

-------------

"ওকশিংদা নাগনবা লায়না স্বাইন ফিভর"

(ওক লোইবিরিবা ফার্মরশিংদা খঙহঞ্জবা)

স্বাইন ফিভম কৌবা লায়না অসি হোগ কোলেরা হায়নসু খঙনবা ওক্তা নাগনবা লায়না অমনি। মসি য়াম্না লৌনগদবা মহিক, ভাইরসনা থোকহনবা ওক্কী মখল খুদিং অমসুং মশাগী চহী মতাং থিদনা নাগনবা লায়না মখল অমনি।



- ⇨ লায়না অসি আর এন এ ভাইরস পেস্তিভাইরস হায়না খঙনবা মখল অমনা থোকহনবনি। য়াম্না শন্দোক্কনবা লায়না অসিগী লায়চৎ মতমদা নাবা অমসুং শিবগী চাং অসি চাদা চাম্মা ফাওবা য়ৌই।
- ⇨ লায়না অসিগী মহিক অসি চেল্লবা অনাবা অমদগী চানবা মচিঞ্জাক অমসুং ঈশিং, থকপা চাবা মতমদা য়াওখিবদগী অয়াম্বা মতমদা লায়না অসি শন্দোকই অমসুং অনাবগা নক্নুনা লৈবশিংনা শ্বর হোনবদা মহিক অসি হোনজিনখ্রগসু লায়না অসিনা নাহল্লি।
- ⇨ অনাবা ওক্কা শোক্না শম্নরুবদগী লায়না অসি শন্দোকই, মরমদি অনাবা ওক্কী মনপ মতিন, মথি ময়ুংনচিংবদা ভাইরস অসি য়াওই। মহিক অসিনা নাবা ফরবা ওক্কী মথী অমদি ময়ুংদা চয়োল ২ দগী ৩ ফাওবা য়াওদুনা হিংবা ঙম্মী। মসিনা মখা তানা শন্দোরক্নবগী মরম ওইরকই।
- ⇨ নাবা ফরবা ওক্না লায়না অসিগী মহিক চেন্দুনা কেরিয়ার ওইদুনা লৈ।
- ⇨ মচিঞ্জাক হাপ্পা পাত্র, মকোন্দা চঙথোক–চঙশিন তৌবদা শিজিন্নরিবা খোংউপ বুট অমসুং ওক পুথোক পুশিন তৌনরিবা গাড়ীনচিংবদগীসু লায়না অসি শন্দোকই।
- ⇨ মরুওইবা লায়ওংশিংদি লাইহৌ কন্না হৌবা, চানিং থক্লিং পোক্তবা, মশা শোন্থবা, মশা কোনথোক কোনশিন য়াদবা, মখোং মহি লাংবা হান্বা, ওবা, উনশাগী শরুক্তা মুরৈননা খান্বা অসিনচিংবনি।
- ⇨ পোষ্ট মোর্টেম অমদি Laboratory দা চাংয়েং তৌথোক্নুনা চপ চানা লায়না অসিনা নারে হায়বা খঙদোকপা য়াই।

লায়না অসিগী চপ চাবা লায়েং লৈতে। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্নবা অমত্তা ঙাইরবা পান্থৈদি মতম চানা নাদ্রিঙৈদা মাঙজৌননা তিকা থাদোকপীবা / কাপথোকপীবা অসিনি। অদুনা ওক লোইবিরিবশিংনা মাঙজৌননা লায়নাশিং অসিদগী ঙাকথোক্নবা তিকা (ভেক্সিন) কাপথোক্নবা / থাদোকপীনবা ডিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা লৈবা ভেটিরিনরি হোস্পিটাল। ডিস্পেনসরি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী ওফিসারশিং অমদি ষ্টাফশিংগা তান্নবিদুনা অমসুং পাও ফাওনবিদুনা মতম চানা তিকা (ভেক্সিন) থাদোকপীয়ু। ওক মচাশিংনা মপি হেক খায়নরকপা মতমদা তিকা থাদোকপা য়ারে অমদি ওক খুদিংমক চহী খুদিংগী ওইনা শুকশোই শোয়দনা তিকা থাদোকপীগদবনি।

খঙহঞ্জরিবা ঃ
ডাইরেক্টর,
দিপার্টমেন্ট ওফ ভেটেরিনরি এন্দ এনিমেল হসবেন্দরি,
মণিপুর

SL/B(V)/7-11June 19



**APPOINTMENTS**

**EVEREST**

**Build an excellent career in Sales And Marketing**

Everest,One of the fastest growing building solution company,requires a Sales & Marketing Professionals with a minimum 1 year of experience

Job Location- IMPHAL (MANIPUR)

Qualification- UG-Dimploma-Civil,Mechanical.B.Tech/BE-Civil,Mechanical ,PG-MBA/PGDM-International Business,Marketing
Graduate- Having minimum 1 year of experience in Sales and Marketing (building Industry will be preferred )

For Venue and all Please contact the under sign-
Mr.M.M.Sarma
Ph-9957174290/9706011313

Date Of Interview- 11-07-2019 Time – 10 AM onwards

The candidate must have First division throughout his academics(10th/12th/Grad/PG).Only one second division will be considered. Incumbent should have good communication and presentation skills.
Candidate must have a 2 wheeler

SL/5065/9th &10th July '19


### ক্রোসৱার্দ ২১৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| M | O | T | H | ■ | S | C | R | A | M | ■ | A | T | O | P |
| O | L | I | O | ■ | E | L | E | N | A | ■ | M | O | L | L |
| P | E | N | N | Y | C | A | N | D | Y | ■ | I | N | D | Y |
| S | O | G | G | I | E | S | T | ■ | F | O | G | Y | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | K | E | D | S | ■ | S | I | R | O | C | C | O |
| C | A | J | O | L | E | ■ | T | A | F | T | ■ | U | R | N |
| U | P | E | N | D | ■ | R | O | U | T | S | ■ | R | O | E |
| S | I | N | G | ■ | M | O | O | C | H | ■ | S | T | U | D |
| P | E | N | ■ | G | A | B | L | E | ■ | S | P | I | C | A |
| I | C | Y | ■ | I | S | I | S | ■ | M | A | R | S | H | Y |
| D | E | C | A | G | O | N | ■ | S | O | D | A | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | R | A | I | N | ■ | S | E | A | L | Y | H | A | M |
| S | P | A | R | ■ | J | O | H | N | N | Y | C | A | K | E |
| O | H | I | O | ■ | A | R | O | S | E | ■ | A | L | I | T |
| S | I | G | N | ■ | R | O | W | E | D | ■ | N | O | N | E |